# সনাগী য়াউ মতু

- বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মা

অদুবু নিংথৌ আইটিসতি মৰা ঙাকখিদ্রে। সনাগী য়াউ মতুদু পীখিদ্রে, মদুগী মহুত্তা অথৌবশিং অমদি মখোয়গী জহাজদু করম্না মাঙহনসিগে হায়দুনা খনখি। মথংদা করি লাক্কনি খনবদা মেদিয়া অৱাবগী ঈপাক্তা তাউখি। অহিংদা মহাক্না লোন্না সমুদ্র মপান্দা থোকখ্রগা মরী-মতাশিং কৌখি, "ঐবু কনবিয়ু, নখোয়বুসু কল্লু; নিংথৌনা মাগী মীশিং ফংদ্রিঙৈ, মতম লৈরি। ঐ লিন্দু শুমগে অদুগা সনাগী য়াউ মতু ফংনবা নখোয়গী নতেং পাংগে।" অসুম্না, য়াউ-মতু য়াল্লিবা এরিসকী উমং অদু তান্না মহাক্না জহাজদুবু লমজিংখি। য়াউ মতু য়াল্লিবা অচৌবা ওক পান্বীদু য়ৌনা মহাক্না জেসোনবু পুরকখি। অমুক্তা তুম্বা লৈখিদ্রবা লিন অদু মখোয়না মনাক য়ৌরকপা উবদা খু-খু কাল্লকখি, অদুগা মশা অপুন্বা মকোল ওইনা কোনশিল্লকখি। মেদিয়ানা নুংশিবা, অতপ্পা ঈশৈ অমা শকপদা লিনদু মকোক নোম্থরকই, অদুগা কোনশিল্লন্বা মশাদু তিংথোরকখি। মেদিয়ানা ঈশৈ শক্ল-শক্লা লিন্দুগা মমীৎ চানরগা মীত্রংগী মহী কামশিনখি, অদুদগী ময়া অদু কাথোক্তুনা তুমখি। মতুংদা মেদিয়ানা থাউ খরা মকোক্তা চাইশিল্লিঙৈদা জেসোন্না অরুম্বা অথাবা য়াউ মতু অদু লৌথরগা মরেংবান্দা য়ানশিনখি।

জেসোন্না সনাগী য়াউ মতু পুদুনা লাকপদা জহাজদা লৈরম্বা মীশিংনা কয়াদা নুংঙাইখিবা! জহাজগী মমাঙ থংবা শরুক্তা ফম্ফম অমদা মেদিয়াবু ফমহল্লগা মহাক্না হায়খি," "হৌজিক্তি মরুপশা! ঐখোয় ইয়ুম লমদম পাংলসি, নখোয় খরা অমনা হি হোল্লসি, অদুগা খরা অমনা জহাজগী নাকন নাকন্দা চুঙ্গোয় পায়দুনা লেপ্লগা য়েক্রুবনা লংঙকপা তা, কাপ্লকপা তেন্নচিংবা ঙাকথোকসি।"

মতম অসিদা মেদিয়া চেনখ্রে হায়বা পাউ অসি তানখ্রে। মীশিংনা হিথাংফমদগী আরগো চৎখিবা উনহৌই। নিংথৌনা মৈরা অমা পায়রগা কৈথেন্দা, মীয়ামদা তান্নবা হায়খি। অদুদগী জহাজ অদুদা মী ময়াম তোংখৎলে, অদুগা তুরেল-মরীল ইন্না হোল্লক্লে। অদুবু আরগো জহাজদি মাগী লন্বীদা নীংথিনা অদুম চৎখ্রে।

জহাজ অদু মতম চানা দানিউব তুরেল মচীন্দা থুংখি। মফমদুদা কোলচেইন জহাজ অমনা মখোয়বু ফাখি। অতৈ জহাজদি তোঙান-তোঙানবা মায়কৈদা চৎনখিবনা অমত্তা থেংনখিদ্রে। জহাজ অসি অপসাইরতোসনা লুচিংলকপনি; মহাকসি মেদিয়াগী মৌপ্বানি; জহাজদুদা তৌনাফবা লাল্লোই কয়া য়াওই। তৌরিবা থবক অসি য়াম্না শাথিবা মরাল অমনি; মদুগীদমক্তা জেসোন অমদি মেদিয়ানা মমল চাউনা পীখ্রবনি। মখোয়না শান্তিগী ৱারী শাননবা অপসাইরতোসকা উননবা শীল্লে। অপসাইরতোসনা মীতিন্দুগী লাকপদা জেসোন্না মাবু থাঙনা থিন্দুনা হাৎখি। অদুদগী আরগোনোটশিংনা কোলচিয়ানশিংগী মথক্তা লান্দাদুনা মখোয়বু খঙহৌদনা মাঙ-তাকহনখি।

মসিগী মতুংদা অথৌবশিংদুগী মথক্তা নোং-নুংশিৎ হৌরকখি। অদুবু এথেনানা, জহাজ মমায়দা থেৎলকপা খুৎলাই অদু নৎলমদ্রবদি মখোয় ময়ুম য়ৌবা ঙম্লম্লোইদবনি। খুৎলাই অসিনা মখোল থোক্তুনা ৱা ঙাংলকপদা, মী অমা হাৎখিবদুগীদমক্তা, জেসোন অমদি মেদিয়ানা লমদম তাম্না লৈখ্রবা হেল্লোই সারচিদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা মশা শেংদোকচগদবনি হায়খি।

মতুংদা মখোয়না দানিউবকী ঈচেলদা অৱাং পাংনা হোল্লক্তুনা রোন, রোন্দগী রাইন তুরেল মথং মথং লাক্তুনা সমুদ্র ঈপাক য়ৌরকখি; মদুদগী মখোয় অফ্রিকাগী সমুদ্র তোর্ব্বানগী লমগং-লমলেন লান্থোক্তুনা অমুক হন্দোকপা ঙম্লরোইদবা পাৎ অমা য়ৌরকখি। অদুবু জহাজ আরগোদু নুংথিল ১২ অহিং ১২ মরেংবান্দা হাপ্তুনা পুরগা লৈঙোই লমদু লান্থোকখি। সমুদ্র য়ৌরকপদা মখোয় অৱাবা অমুক থেংনরে। মখোয়না সিল্লা, চিরবদিস, সাইরেন্নচিংবা মথং মথং থেংনরবগী তুংদা সারসি ঈথৎ থেংনদুনা সারসি হেল্লোয়গী মফমদা মী হাৎলুবগী পাপ শেংদোকচখি।

জেসোন্না চখোকখ্রিঙৈদা পেলিয়সনা মাগী হনুবা মপাদু হাৎখি; মরমদি, জেসোন হল্লক্কনি অমদি নিংথৌনা মাগী ৱাশক ঙাক্তুনা জেসোনবু নিংথৌ ওইহনগনি থাজরুদে। মসিদা জেসোন য়াম্না শাউখি; মহাক্না মেদিয়াদা, পেলিয়সপু মাগী ফত্তবা থবক্কীদমক দন্দি পীনবা হায়খি।

মসিনা মরম ওইরদুনা মেদিয়ানা মরুপ ওইবগী মওংদা পেলিয়সকী মচানুপীশিংদা হায়খি, "কয়াদা নুংঙাইখিদ্রবনো" মহাক্না মখা শমথরকই, নখোয়গী বাবাসি অহল য়াম্না ওইরে। মাবু নিংথৌ ওইবদা নুংঙাইবা ঙমখিদ্রও! "ফরে" মখোয়না হায়, "উপায় লৈতে, লৈব্রাও?" মহাক্না য়াউ হনুবা অমা পুথোরক্লগা শেল্লে অদুগা মীত্রংগী হীদাক-লাংথক খরগা খাংজাউ অমদা ফুৎলে। মীত্রংগী মন্ত্র শোনবদগী অঙকপনি, খাংজাউ মনুংদগী য়াউ মচা অমা চোংথোরকখি। মরম অসিনা মহাক্না মখোয়দা অহল ওইরবা পেলিয়সপু হাৎলগা খাংজাউদা ফুৎনবা ঈনশিনখি। অদুবু খাংজাউ মনুংদগী নহা ওইবা পেলিয়স থোরকখিদে; মহাক শিখ্রে, লোইখ্রে। মতুংদা পেলিয়সকী মচানুপানা জেসোন অমদি মেদিয়াবু কোরিন্থতা লোই থাখি।

মখোয়গী অৱাবা খুদোংথীবদি লোইবা নাইদে; ক্যাপিদকী তেন্না ঙাওহনখিবা মেদিয়ানা জেসোনবুসু অৱাবা নংহনখি। জেসোন অহানবদা ঈংবা, তপ্পা, অচুম্বা চৎপা য়ারবদি ঈ-তাহন্দবা হায়বা ৱাখল লৈবা মীওই ওইরম্বনি। লমচৎ-শাজৎ ফজবা, হনুবী ফাওবা মতেং পাংখিবা মীওইনি। অদুবু মহাক হৌজিক্তি তমথিবা ওল্লে, থম্মোয় পান্দ্রে।

মহাক মেদিয়াবু পাল্লক্লে, অদুনা অতোপ্পা অমা লুহোংলে, মেদিয়ানা অনৌবা নুপীদু অমদি মশামক্কী মচানুপা অনী মাগী মীত্রংগী পাম্বৈনা হাত্তোকখি; অদুগা চীংলাইনা থৌবা দোলাই অপাইবী তোংদুনা এথেন্স য়ৌখি। এথেন্সতা মহাক্না হনুবা নিংথৌ অদুদা লুহোংখি।


*(ৱারী অসি অরিবা গ্রীক লাইশিং- থৌনা ফবা থৌনা ফবীশিং হায়বা অইবা অসিগী লাইরিক্তগী লৌথোকচবনি।)*

# মায়থোঙদা লোৎলিবা মমিশিং

## (অপাবশিংবু অমুক নোকহন অমুক কপহন শান্নরিবা অইবা)

লাইরিক্কী মমিং ঃ মায়থোঙদা লোৎলিবা মমিশিং
অইবা ঃ য়েন্দ্রেম্বম রনধির কুমার
লাইরিক্কী মখল ঃ ৱারীমচা
ফোঙবা চহী ঃ ২০১১
অফোঙবা ঃ অশৈ ৱাফোঙ য়োকখৎলূপ

মশক তাক্লিবা ঃ সলাম তোম্বা




য়েন্দ্রেম্বম রনধির কুমার অইবা অমদি ওইরে। মানা শৈরেংগী লাইরিক, 'খলহৈবা খরা খলহৈদবা খরা' হায়বা অমা ফোঙখিবদু ২০০৩ দনি। লাইরিক অদুনা মাগী ৱাখল, খুৎফোঙদোক খরদি লমদম অসিগী অপাবশিংনা খঙবা ঙমখ্রে। মাগী অকোয়বদা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোক কুপ্পা য়েংবা ঙম্লে। মাগী অশাউবা, পেন্দবা দং হায়বগী মহুত্তা নাচেক্লা য়ৈবা হৈবা উৎখ্রে। অমতং য়েংবা য়াই। নোংমৈ পায়বনা চাউবা, মদুদা মীচম প্রজানা করিসু তৌবা ঙমদবা অসিবু মানা নকোইননা হায়রি, "চৎলিবা ষনয়াম অসি/ ঙসিগী নুমিদাংৱাইরম অসিদা/ হোইরিবনি ষনশেন্নহা অমনা/ মখুৎতা নোংমৈ পায়রদুনা।" (ষনশেন্নহাগী ষনয়াম, খলহৈবা খরা, খলহৈদবা খরা, লা: ১)। অমতংগা য়েংবা য়াই। মতমগী য়াওনবু পামজবা, চাউখৎপা খুন্নাই অমা শেমজনীংবা অইবা অসিনা হৌখ্রবা মতম্বু, পু-ৱারীবু সুম হেক কোন্দুনা লৈবসু য়াদে হায়বসি ফোঙদোক্লিংবা মতাংদা অইবসিনা ফজনা সিম্বল অমা শীজিন্নদুনা ফোঙদোক্লি, "মসি ইপুবোক্কী খুদৈনি/...ফনা নুংশিজখি হায়দুনসু ঐনা/ শেৎতুনা চৎলুবা থোক্লবদি মীরকসিদা/ করিবু কান্ননি ঐনা/চাউখৎপা তাল্লিবা মালেমসিদা/" (ইপুবোক্কী খুদৈ, লা:৩) ঙসিগী লমচৎ কায়থরকপা খুন্নাই অসিবু য়েকপা মতমদা মানা পজবা ইমেজরি অমা শীজিন্নরি মাগী 'তূল্লমদাই' হায়বা শৈরেং অদুদা অসুম্না, "নুপী লোনবা, নুপা লোনবা/হূরান-চীন্থি তৌরুবা/ লাইনা অমতা ৱারক্তে... /তূমথখি অনৌবা মন্ত্র অসিদা/তূম্বা য়ারমদবা ঐ/" খুৎফোঙদোক অদুম ফজরি। ৱাহৈ খরা চমজরবসু।

হন্দকসু মাগী ৱারীমচাগী লাইরিক অসিদসু অদুম অইবা অসিগী ফজবা খুৎফোঙদোক থেংনরি। হায়নীংবা ৱাফম হায়বা হৈরি। অদুবু নুংঙাইরিবদি রনধিরগী ফাগীগী মচু হাইফেৎ লাকপা তেনতক তেনতক লীবা ৱারীশিংসিদা ৱাখল খলহনবা ঙম্বা মঙাল অমা হাপ্পা ঙম্বা অসিনি। ফাগী পুবা ৱারীমচা ইবগী লমদদি ঐখোয়গী লোন অসিগী চীংজাউগুম লেপ্লিবা অইবদি এলাংবম দীনমনিনি। মাগী লম্বা লৈত্রি। দীনমণিদি দীনমণিদগা চাংদম্নবা তাই। মাগী মতুং খরা খরা ইল্লকইবা অসিনা নহারোলদা নবকুমার নোংমৈকাপ্পম, খুৎ থেকচিনবা য়ারে। মথঙদা রনধির কুমারসু মায়কৈ অসোমদা চঙশিল্লক্লি। নুপীদা নিংঙোম্বম সনাতোন্বী কাউরম্বা য়ারোই।

রনধির মাগী অকোয়বদা থোক্লিবা কুপ্তে কুপ্পা থৌদোকফাও লেম্না অমতা থাদ্রে। ৱারীমচা অমা হেক্তা ওনহনবা ঙম্লে। মসিনি ৱারীমচা ইবগী অহানবা খোঙকাপ। মথঙদি লীবা হৌবগী লংজিন থিবা, কমদৌনা লীসিগে খনবা, মদুদা ৱাহৈগী, ৱাঙাংগী লৈতেং হাপ্পা খন্থবা তাবনি। মদুসু অদুম মায় পাক্লি অইবসি। অদুবু খ্বাইদগী লুবা অপাবনা উরোইদৌবা অইবনদা খঙগদবা ডিজাইন অমা শেম্বা, ৱারীগী অরোইবা ৱাহৈ পরেং অদুনা অপাবগী থম্মোয়দা য়ৈগদবা ঈপোম অদুদি খরদং য়াংতক তারি ৱারীমচা পূম্নমক। অইবসিগী ৱারীমচা ২৪ য়াওবা লাইরিক অসি হেক হাংদোক্লুবদা থেংনরে, 'হিদেন অমগী ৱারী; ফজখ্রবা ৱারীমচা অমা। মসিদা মমা-মপাগী মথোঙ হুক্রুবা যূম্বাল মরীনা মচাদা পীরিবা চৈথেং ফজনা উৎলি। মপানা য়ু লাইচুবা, মমানা মতমগী লমচৎ কোম্লবী নুপী, নোংয়াই য়ৌরফাও হল্লক্লুদবা, মচানুপা অপিকপা অমখক লৈবদুনা মথন্তা ইমুংদা লৈবা কিজদুনা কোম্থোংগী পান দুকান অমগী মরুমদা অদুম লেপ্তুনা মপা হল্লকপা ঙাইবা উৎলি। অপাবশিংবু অঙাংদুগী মীনুংশি ফাওহনবা ঙম্মী। মশানা ওক্রুবনিনা মশাগী নুপী ৱারকপা ঙমজদ্রবা তোল্লবা নুপা অমগী শক্তম ফজনা য়েক্লি। য়াম্না পুন্সিগা নকশিন্নে। অর্থনা থল্লবা ৱারীমচানি হায়নীংঙি। মসিদগী হেন্না ফজবা ৱারীমচা অমনা হেক অনীশুবদা য়াওরিবা, "ঙান্থোরক্লিবা মঙাল" হায়বসিনি। থিম ফজে, ৱারী খুৎলি ফজে। য়াম্না ফজনা অঙকপা পোলোই অমদা লোইশিল্লি। ঙসি ঙসিমক খুন্নাই অসিদা থোক্লিবা যূম্বাল অনীগী খেন্নবা উৎলি। নুপানা নুপীবু নমথরে অদুনা শীংনগদবনি খনবী নুপী অমগা মৰা মপুরোইববু লাইনি খঞ্জবা নুপী অমগা খেন্নবা উৎপা ৱারীমচানি। থিম অসিদি তোয়না উবা অমনি। অদুবু ফজরিবদি প্লোট শেম্বা হৈবসিনি। লোৎতুনা লোৎতুনা ইবা খুৎইনি।

মপুরোইবা লাইনি খঞ্জবী অইংবী কৌবী নুপীসিনা শিখ্রবা মপুরোইববু হিংলি খন্দুনা মাগী নুপানা পামজরমদবা লমচৎ অমত্তা শোক্তনা মচা য়োকপা ঙম্লম্বা অসিদি ফিদম ওইহল্লি। নুপাবু শিংনরিবী বাসন্তী ফাওবা মপুক ওলহনবা ঙম্মী কোন্না খঙলকপদা। মসিনি তাল্লিবা পান্দমসু। ফজে। ফজবা অমতংগা লৌখৎপা তারবদি 'অশংবীগী মচা' হায়বা অসিনি। ৱারীমচা অসিমসু মমৈবু ময়ানা চিক্তুনা লোৎনা পুরিবা ৱারীমচানি। অঙাওবী অশংবী মচা অমা ফংজরে। ফজখ্রবা নুপামচা অমা কৈথেলদা। পোৎ য়োনবীশিংনসু খঙদ্রে, কনাগী মচানো হায়বা। মতমসিগী লায়না ওইরিবা মীমান্নদ্রবীবু তুহৎপীবা ওইনা লৌনৈ। নুপা পূম্বা চিংনফম ওইরে। কনাগীবু ওইরমগবা। অঙাওবী অশংবীনা হেক থেংনবা নুপা খুদিংমক মচাদুনা পুংকক চাউরকপদা নপানি নপানি হেক্তা হায়। মদুদা পাখঙ পূম্বা মাবু উনদনবা থৈনরবনি ঈকায়দুনা। অদুবু কায়নথংদা পাউখোং ফোঙলকই। লৈশাবী মশক ফজবী অমনা ময়োম অমা অঙাওবী অদুগী কৈথেলগী লৈফম কাদুদা লংশিল্লন্বা উহৌবা য়াওরে। অশংবীনা অদু হাংদোক্তুনা য়েংলুবদা অঙাংদু য়াওরম্বনি। কয়া হৈনা ইখ্রবা ৱারীমচানো। ঈজৎকীদমক মচাবু লংথোকপা ঙম্বী নুপী অমগা মচাবু মথ্বায়মক্লি খঞ্জবী নুপী অমগা খেন্নবা ফজনা উৎপা ঙম্বা ৱারীমচানি হায়নীংঙি। ঙসিগী খুন্নাই অসিগী মমি ফজনা তারি।

মীনুংশি পোকহনবা ঙম্বা ৱারীমচা অমতং হায়রবদি অইবসিগী 'জেকী' হায়বা ৱারীমচা অসিনি। অপাবশিংনা খন্দবা, উরুদবা, পোলোই তাল্লিবা ৱারীনি। পূমচিক চিকপা নুমিদাং অমগী ফিভম হান্না উৎলি অইবা অসিনা। মাগী ৱাহৈ য়েংবা য়াই, "তাইবঙপান পূম্বা অসি মরোল থোক্তবা ওইখ্রে। হাইরং হাইরংলবা শুমাঙ মাঙ্গোল, য়েন্নখা পূম্নমক ৱা ঙাঙদনা তুমিন্না লৈ। কিদুনা লাঞ্জেন্নবদগী থাদোক্লম্লবা মফমদু মঙায়।" অপাবশিংবু মিৎ-না শিংহনবা ৱারী খূৎলিনি। কৈনো অমা থোক্কদৌরে হায়বা তাক্লি। থোকসু থোকইবনি। মচা ৩ গা মমাদুগদা য়ুমদা লংথোক্লম্লগা থেঙনা থেঙনা হঞ্জিল্লকপা, মদুসু য়ু ঙাওরগা হাইরং হাইরং লাকপা নুপা অমগী ৱাহৈনি। ইমুংদুগী পাঙ্গল হায়ববু মখোয়গী হূইজাউ, 'জেকী' অদুখক্তনি। নুমিৎ অদুদি হূইজাউদু লৈরমদ্রে নুপাদুনা হল্লকপদা। নুপী মমা মচা ৪ অদুসু কিদুনা লৈকায়দা লৈরম্লে। নুপাদুনা মাগী হূইদুগীদমক মানা চারুবা শা-ঙাদুগী মরু-মরাং পুবিরক্লি। অদুবু জেকীদি লৈরমদ্রে। নুপাদু মথ্বায় নুংঙাইতবদা নৎতনা চিংনবা অমসু ফাওরে। মচানুপীনদি জেকীদু মপাগী মতুং ইনখিবনি হায়রকই। নুপাদুনা পাখৎলে, মানা চারুরিবা অদুসু লন্বীদা হূই অঙাওবা মানবা অমা হাৎপদগী লৌরকপা খরনি হায়বা খঙলক্লবনি। মাগী জেকীবু অঙাওবা হূইনি হায়দুনা হাৎপিরে হায়বসি মহাক লেপ্লে। মানা পুরক্লিবা মরু-মরাংদু মাগী জেকীগী ওইরম্বদা মহাক মতোমতা ওন্থোক্না পেল্লক্রে। ফুম্বংননা লেপ্তুনা লৈখ্রে। ৱারী খূৎলান্থোক ফজে।

'নুংশিদবা মাগী মনাক্তা' হায়বা ৱারীমচা অমসু য়াওরি। মসিদি তোপ তোপ্পী। নুপীগী নুংগী লান্নি। ৱাখলগী খোঙচৎনি। ফজে মসিসু। ফত্রে, লৈমিন্নবা ঙম্লরোই হায়দুনা মপামদা হল্লক্লবী মৌনহা অমগী থম্মোয়নুংগী লাঞ্জাউনি। ফত্তবদা খম থেংলবা, শুনিংদবা মাগী নুপাদুগী মনাক্তা মায়কৌবদা ওনখ্ররোই হায়দুনা চাম্মরক খল্লগা, চাম্মরক ৱারেপ লৌরবী অমনি। মাগী নুপাদুনা কৌবা লাকপদা মমায় ফাওবা ওনশিনবীদ্রবা, মমানা, মবুংনা থেম্বদা য়াদ্রবা, অদুনা মাগী নুপাদু উপাই লৈতনা হনখ্রবনি। অদুবু অহিং তুম্বা য়াখিদে। নুপী মহাক লৈতবদগী মফিফাও শুবিদ্রবা মাগী নুপাদুনা ঙসাই শেৎ-চারকপা ফিদু মমিৎতা উদুনতা লৈরে। নুংশিনদুনা চেনখিবা, য়ু থক্রুকান্দা মাগী নুপানা মাবু লুনা তৌবিখিবা কয়াদু লমায় হাংদোক্লুকই। মানা থেমদুনা নৌদুনা হোৎনরবদি নুপাদুসু অফবা অমদি ওইবা য়াইনা খনবা হৌরকই। য়াহৌরকপগা ইরুজথোকই, ফি তনশেৎ শেৎচিল্লি। খোঙ থাংদোকখি। লন্বীদা নুপাদু থেংনৈ। কদায়দনো হংঙি মাগী নুপাদুনা। অদুদা নুপীদুনা খুম্মী, "ঐনা নুংশিদবা মাগী মনাক্তা মাগী শুবিনিংঙাই লৈত্রবা অমোৎপা ফিদু শুবিরুগে চৎলিবনি।" অঙকপা ৱারীগী অরোইবা ৱাহৈনি। ফজে হায়নীংঙি। অইবসিগী ফাগী পুবা ৱারীমচা ৫/৬ য়াওরি। মফমসিদা লোইনা পাউদম্বা ঙমদ্রে।

অরোইবদা হায়নীংবা অমতংদি রনধির ৱারীমচা ইগদবা অইবা অমা ওইরবনি। শৈরেংদগী ৱারীমচানা পকচবা হেল্লে। অদুনা ইবদা খরা চেকশিনহন্নীংঙি। ৱারীমচাগী কয়াৎ শুদবা, পোলোই য়াওদবা, পাউ তম্বা মানবা, ৱারী লীবা মান্দবা, ডাইলোগনা হেনবা খরা য়াওরি। ৱারীমচাদি লুরিবসি ক্রাফ্‌টমেনশিপ অদুনি। মপুং মরৈ ফাবা ৱারীমচা কয়া রনধিরগী কলমদগী থোক্লকখিনি থাজৈ। থাজবা মাঙহনবীনু।

## হন্দোকপা

# ইচে রমা

হিন্দীদা ইবা- গোরা পন্ত শিবানী
মণিপুরীদা হন্দোকপা- **লৈমপোকপম বেদান্তী**

*হান্নগী মখা...*

"অপঙবী, অপঙবী ইচে রমা" ঐনা মাবু ফোন্দা চৈরম্মী, "মোয়গুম্বা অফবা পাখংবু করিগীনো নঙনা মীরৈবাক্তা থাদোক্লিবসিবু? মখোয়গুম্বা অফবা পাখংশিংসি য়োৎকদৌবগী হিংচাবী কয়া লৈ হায়বসি নঙ খঙদ্রা?"

"নঙনা অশোকপু খঙলিবা নত্তরা" মানা হায়রকই, "য়ুমদা লৈবদা মনুং-অচৌবা চঙলমদাই ফাওবা ঐঙোন্দা হায়রল্লিবনি, মাবু করম্বা হিংচাবীনা ফাগদৌরিবনো?"

ইমুংগী চৎনরোল অমদি মপালগী চৎনরোলগী খেন্নবা অসিবু চহী কুনগী মমাংগী চৎনবীবু য়োংনা অশিবা মচা কোন্দুনা লৈবগুম লৈরিবী ইচে রমানা করম্না খঙগনি। মানা চাগদবা কয়া, শেৎকদবা কয়া থাদোক্তুনা মচানুপাবু অসুম্না মী ওইনবা শেম্লকপনি, মচাগী মগুনবু খঙনা পুকচেল-শেংনা পাউখুম পীরকপনি। অদুবু ঙসি ফাওবদা তাইবংপালদা লৈরিবা মীওই অমত্তনা মাগী হিংলিঙৈ পুন্সিদা মাগী হোৎনজমল ফংখিবরনে? অচুম-অরান খায়রিবা নোংদম্বনসু তৌবা উরোকপু মচু ঙৌহল্লমলি, খোঞ্জেল ফজবা কোকিলবুনা মুহল্লমলি।

ঐনা চীংদা হেক হেক চৎপা মতমদা ইচে রমাগা হেক হেক উন্নে। মানা মাগী লাক্কদৌরিবা মমৌদুগীদমক্তা লাংশিল্লিবা পোৎলমশিংদু ঐঙোন্দা হেক-হেক য়েংহল্লি। "সিগী খুজি অচৌবসিনা ঐনা বরেলীগী ইন্দোমচাদা শাহনবনি অদুগা নাশিকাসিনা ঐগী নাশিকাদুনা অমুক শাদোকপনি।"

"নঙসি কয়াদা পঙখ্রবনো? করিগী থুগাইরিবনো। নঙগীদুগুম্বা হৌজিকপু কদায়দগী ফংগনি। অদুম থম্বা য়াদ্রো? অদুবু মানা খুল্লকপা পাউখুমদুনা ঐঙোন্দা কল্লবা শাফু অমনা ফুজিল্লকখি। ঐ ইচে রমাবু ফজনা খংই, মানা থবক অমা চৎকে থোরকপদা কনাগুম্বনা হাকথি খল্লকপদা অমুক হঞ্জিল্লকলিবনি। অসিগুম্বা অফ-ফত্ত খায়গনখ্রবা ইচে রমানা মাগী মরায়বক ফত্তবা অদুগী নীংশিং খুদমদুবু মাগী মমৌ অনৌবীদুদা পীনিংগদরনে?

"অদুবু করম্না থমগদৌরিবনোনে, মদু লাইবক ফবীগী নাশিকা নত্তেনে।" মাগী লুখ্রা ওইবগী নীংশিং খুদম্না মাবু খোইরাং খোইশাওনহল্লি ঐনা নোকশিন্নদুনা মাবুসু নোকহন্নবা হোৎনৈ- "ইচে রমা, নঙগী নমৌনুপীদুদি মশক মতৌ ফজবী অমা থিশিকো, নতোন য়াম্না ফজবা...।"

"নঙনা হায়রিদু চুম্মী, কোকখুম ফি হেক হায়দোকপদা মনাতোল ইথি থিরদনা, কুচুগা ইমু হেক মুরবদি লোয়রেদো... নাশিকাগা অমত্তা ফজফম খঙলরোই..." ৱাহৈশিং অসি হায়রদুনা মানা মপুক্লিংদা নুপীমচা অমগী মায়থোং থিবগুম তৌরি।

"কৈদৌরে, ইচে রমা, করি খল্লিনো, নমৌনুপী খল্লবরো?" ঐনা হংলুই।

ইচে রমানা ঐগী খুৎ খঙপাই পায়শিল্লকই, "উম খল্লে, হায়রোরা? শাওদি শাওরোইকো?"

"ঐদি করিগী শাওগদৌরিবা! করিনো নঙনা হায়রিদুবো? হায়রোদনা কনানো?"

"নঙগী নচানুপী", অদুদগী মানা ঐগী ঙকপনা থল্লবা মায়থোংদু উবদা মা ঐগী খুৎ খংথা থাদোকখরে মানা হায়ফেৎ ঈকায়না নোক্লদুনা হায়রকই, "শাওরবরো? ঐদি ফাগী তৌবনিদা। ঐদি লাইরবী ওজানি, লৈফমসু লৈতে, পৈশাসু পায়দে। ঐগুম্বনা নঙগী নচানুপীবু ইমৌ ওইবা ইতিক নত্তে।"

"ইচে রমা, করিনো নঙবু ঙাওরবরো" ঐনা নোক্লদুনা হায়, অদুবু ঐগী নোকশিন্নবদু মানা অদুম খঙখরে।

"নঙদি ঐগী ইপলগী মচানুপীনি করম্না লুহোংবা য়াগদৌরিবনো?"

"য়াম য়াখরেদা।" মানা য়াম্না চীংলেম্না হায়রকই, "ঐগী ইপাগা নঙগী ইপাগা ঈগী মরীদগীদি মরুপকী মরীনা হেন্না নকনৈ। করমহায়নবু মচিন মনাও ওইখিবনো খঙহৌদরে, মদুসু মামগী মরীদগী, গোত্রদি পুনদে। মরক্তা পুরোল মঙা লৈখ্রবনি। হৌজিক মতমদদি চীংদদি পুরোল অহুম ফাওবা থিনদ্রে। গোত্র মান্নবা কয়া অমসু লুহোংনরে। অদুবু য়ারেদা, ঐদি ফাগী তৌবনি।"

ঐ খঙই, ইচে রমানা হায়রিবদু ফাগী নত্তে। মিৎকুপ অমত্তংদি মাগী তোল্লবা মীৎয়েংনা হায়জরকলিবদু ঐ মনুং হুৎনা খঙজিল্লুই। অদুবু ঐগী চিনবালসি করম্না ফাজিনখ্রিবনো খঙদে, ঐনা চিনবাল অসি কাথোক্তুনা ইচে রমা ঐগী ইচানুপীসে নচানুপাদা থাজরবনি হায়বসি হায়রুবা ঙমদে।

অদুবু অমুকসু খল্লি, ফরেদা লাইগুল্লবী মাগী থম্মোয়দুবুদি ঐদি থুগায়খিদ্রেদনা- "ইচে রমা, হৌজিক্তি নচানুপাসু মীরৈবাক্তা চৎখ্রি, অদুগা ইচানুপীসু লাইরিক তম্লি।" ঐনা হায়খি।

ইচে রমাগী মায়থোংদুদা হরাওবগী মমি অমা তাবদু ঐনা উখি। ৱাহৈ অমত্তা ফাওবা কাংথোক্তনা মানা ঐগী খুৎ অনীসি কন্না পায়শিল্লকই।

অদুদগীদি ঐনা মঙোন্দা করিসু হায়নবগী তাঞ্জা অদু ফংখিদ্রে। মাগী থৌরাংদু মাগী মীরৈবাক্তা লৈখ্রিবা মচানুপাদুনা থুগায়রে।

ঐনা কালেন ছুটিদা চীংদা চৎপা মতমদা ঐ লাকপগী পাউ তাবদা চেন্দুনা উন্নবা লাকই। ঐ মাবু উবদা পুমঙক ঙক্লে। কংশিল্লবা, মুসুক মুশিল্লবা মায়থোং ময়াংদু কংখিবনা মতম কুইনা নারুরবগুল্লে।

"হায়মা, ইচে রমা, ঙসিদি পুরা ওজা মাল্লে, নমৌনুপীগী লীক-কোল শানবা হোৎনবদা চরা নামতা চারবরো?" ঐনা নোক্তুনা মাগী মখুৎতু পায়শিল্লুই।

"হৌজিক্তি শাহল্লরোই, শারুবশিংসু য়োন্থোক্লনি, ঐ লেপ্লে।"

"করি তৌরে?" ঐনা য়াম্না লাংতক্লনা হংখি, খোঞ্জেলসু হায়ফেৎ নিকখি মাল্লে। *মথং মথং...*

## ঈশৈ

### লোক্তাক মপান্দা

**খ্বাইরাকপম চাউবা**

(১)
ঙসিদি পুন্সিগী অনৌবা ঈচেন্দা
অনৌবা ঈথক্লা হৌরক্লে
ৱাখলগী ঈপাক্তা, অৱাংবা ঈরৈনা
পূক্লিংবু থুক্মৎনা কাররক্লে।
মৈতৈগী ঈপাক্লা, মাংদা ঙানব'দু
ইমিৎনা উজবা ফংজরে।
মৈতৈগী ঈপাক্লি মাংদা ঙাললিবা,
ঐখোয়গী লোক-তাক হায়বসে।

(২)
ঈয়াইদা শাৎলিবা ফজবা লৈরাংনা
উবদা মিৎফম্বু হোংদবা,
মরক্তা তারিবা, নিংথিবা চেক্লানা
নুংশিবা কোলোই শক্লিবা,
খুনগী পোম্বীগী, ৱাৎত্রবা পুক্কৈনি।
অয়াম্বা চিঞ্জাক্লা থল্লবা।
মৈতৈগী ঈপাক্লি, মাংদা ঙাললিবা
ঐখোয়গী লোক-তাক হায়বসে।

(৩)
নামীবা নুংশিৎনা, ঈথক্তা হুম্বদা
ঈথক্লা জগোই শারিবা।
হিথক্তা তোংদুনা, খুনগী ইমাশিং
ঈনগী জগোই লৈরিবা।
ঈথক্কা চাননা, নুংশিবা কোলোইনা
নৌগী তান্থাবু পীরিবা
মৈতৈগী ঈপাক্লি, মাংদা ঙাললিবা
ঐখোয়গী লোক-তাক হায়বসে।

(৪)
থাঙ্গগী খুঞ্জাওনা, করাংগী হৈকোন্দা
নিংথিবা হৈরাংনা ঙাল্লিবা
হৈকক্কী য়েল্লিনা লৈরাংগা লোইননা
খুনগী 'কোইবদা শাৎলিবা।
অয়াম্বা চেক্লানা ফৈরাগী থক্তুদা
নুংশিবা কোলোই শক্লিবা।
মৈতৈগী ঈপাক্লি, মাংদা ঙাল্লিবা
ঐখোয়গী লোক-তাক হায়বসে।

(৫)
কুইনা নিংলবা পূক্লিংগী অপাম্বা
ঙসিদি থুংজবা তারেদো।
হিথক্তা তোংদুনা ঈপাক্তা তৌবগুম
নৌগী জগোইবু শাজগে।
নিংজবা থুংদুনা মিৎলুগী নাপোমদা
তরংগী লাইজবু শিন্থগে।
মৈতৈগী ঈপাক্লি মাংদা ঙাল্লিবা
ঐখোয়গী লোক-তাক হায়বসে।

(৬)
ঈয়াইদা থুংবদা, মপুগী নিংথিবা
গুণবু উজবা ফংদুনা,
ঈথক্কা লোইননা, লৈরিবা পূক্লিংনা
মপুগী গুণবু খংদুনা,
ৱাংলবা খোঞ্জেন্না, মপুগী গুণবু
শক্তুনা পূক্লিং পেন্নসি।
মৈতৈগী ঈপাক্লি, মাংদা ঙাল্লিবা
ঐখোয়গী লোক-তাক হায়বসে।

●

*(শৈরেং অসি কবি খ্বাইরাকপম চাউবা অমসুং মহাক্কী সাহিত্য হায়বা লাইরিক্তগী লৌথোকচবনি।)*

### ফিজং মরুমদগী

**সৌবাম তোম্বা লুৱাং**

উচেক মথি অমা তারকই
অহাংবা আতিয়াদগী খঙহৌদনা
অতোংবা লাইবক্তা পোপ লাউনা।
জ্-জ্ অমুক নান্থখি নীংঙাইদনা
নাখাঙ লান্থোক্লগা নাতোন্দা
চন্দন অশাংবা থিনবগুম।
অদুগা অমুক থ্রাক-থ্রাক য়ান্থদুনা লৈ
লৈমায়দা তাগদবগী ঙাইরবগুম্না।
থোইবীগী শল্লাংবু চোইজাইনহনবা
ক্বাক্তাগী নামীবা নুংশিৎনা হুল্লকপদা
ওইরোমদা ফৈজেনা চৎখি
অদুগা তাখি উচেক মথিদু
থম্মোয় মপা চপ চানা পাল্লিবা
ওয়গী ফুরিৎখাউ মনুংদা।
থম্মোয় মথুম-মরাং হৌরকই
ফিজং মরুমদগী খঙহৌদনা।
নুংশিরবা য়াকাইরোল অমা শক্লকই
পেনা খোংবনা থৌগল তৌজরদুনা
লাইনিংথৌ সনামহিগী মমাংদা ফম্লদুনা
কোরৌহনবনা সনজিং নাপোমদগী হায়গৎলক্রিঙৈ।
খুল্লং ঈশৈনা অমুক শমথরকই
লোক্তাক খোঙবান্দা, হা ইবেম্মা...।
খোংজোম পর্ব্বনা শৈরোই ওইখি।
মৈদিংঙু অঙম্বগী মতিক-মগুন শৈথারদুনা।
করি করিনো শোনবা হৌরকই মচিন্দা
চোংঙা থিজাবীগুম, চরাং খোইরাংনৈ
কুচু শেংদবা ক্বাককুম্না।
অদুগা খঙহৌদনা মীৎয়েং থল্লকই
মখোল শিরবা কৌজেং হারৌশিংদা।

●

### লোক্তাক লাইরেম্বী

**অহোংশাংবম প্রমেশ্বরি দেবী**

নহাকপু কৌজগে ইমা
নহাক্তি অখাঙ কনবীনি
নহাক্তি মীনুংশি চাউবীনি
নঙগী লূরবা লাইজথক
হীগী জগোয় শুমাঙদা
হঙ্গেল পৌরা ঈলনা
থেক্লা নৌনা জগোয় শাববু
খোইদানা য়েংজবী পলেমনি।
শংবান্নবা অতাওবা ফুমদিনা
খ্বাজেৎ মচি লাংবীনি
নীক নীক লাউর' লাইজনা
নমখাং চরৈবু ওইবীনি
ওইরিদো নাপ্পগী নাচোম
থরো-থম্বাল-থরিকথানা
ইমাগী নীংথিবা পুম্বা
মাঙহনবীরে ইমাবু মশক খঙদ্রবা
মতমগী খুৎহৈবা নচাশিংনা
অখাঙ কনবী ইমা-ও
লোইরব্রা নহাক্কী খাঙবগী পাঙ্গল
কপ্লক্লিবা নঙনা তেংথা নাওইনা
শিন্থরকপা মীৎলুগী পীরাংদুনা
চোৎলেনে নীংথিরা নঙগী চরৈসে।
খঙই ইমা হনখিবদি নত্তে মচু নঙগী চরৈগী
নঙগী পীনা চোৎতুনা ওনখিবনি মচু
ওইজ থিবা নচাশিংগী খুৎনা হুনজিল্লকপা হূনা
মাঙখিবনি ইমাগী নীংথিরা শক্তম।
ইমা নঙদি লাইরেম্বীনি
নচাগী থম্মোয়দা লাৎচরিবা
থৌনা হাপ্পীয়ু ইমা
পাঙ্গল পীবীয়ু নচাদা
ঙাকচবা ঙম্নবা ইমাগী মহৌশা
কঞ্জবা ঙম্নবা ইমাগী শক্তম।

●

## ঈশৈ

### চোইনা তারকপা

চোইনা তারকপা
শল্লাং মরক্তগী
নঙনা লোন্না য়েংলকপা
হে হে হে... মীৎয়েং অদুদনি
ঐনা ঙাওজরিবা।।০।।

ইশানা ইশাবু কাওজরুরে
নঙগী ৱাখল খল্লিঙৈদা
কৈদৌঙৈ মঙফাওননি
ঐখোয়নিগী মঙলানসে।।০।।

পুক্লিংগী ৱাসু খঙজহৌদে
থম্মোয়গী পাউদমসু হংজহৌদে
কৈদৌঙৈ মঙফাওননি
ঐখোয়নিগী থম্মোয়সে।।০।।

*শৈরেংবা* ঃ নন্দলাল রোই
শৈশকপা ঃ সনাতোন শর্ম্মা

### শাৎহৌরো লৈরাং শাৎহৌরো

শাৎহৌরো লৈরাং শাৎহৌরো
বসন্তগী লৈকোলদা
মোমোন নোক্লা শাৎহৌরো।।০।।

মালঙনা লীরি হুল্লিঙৈ
কোরৌ মৈশা নেল্লিঙৈ
লৈরাং লৈনম নুংশিবা
মালেম শীন্না য়েলহৌরো।।০।।

অৱাবনা থল্লবা পুন্সিগী
খান্বী মৈশা লাংলগা
লৈরাং লৈমন চল্লনি
শিঙেল নাপল ফরিঙৈ
নুংশি লৈনম য়েলহৌরো।।০।।

*শৈরেংবী* ঃ শঞ্জেনবম ভানুমতি
ইখিবা চহী ঃ ১৯৬২

## সাহিত্যগী খোঙচৎ

### নেসনেল পোইত্রি ডে পাঙথোকখ্রে

থা ৬/৬কী ওইনা ফোঙবা মণিপুরী লিটরেরি জর্নেল *মপাউনা* শীন্দুনা হৌখিবা ওক্টোবরগী ২, ২০১৪ দা মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী ওদিটোরিয়মদা নেসনেল পোইট্রি ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি পাঙথোকপগী মপুং ওইবা ৱারমদি ইংলেন্দদা নুমিৎ অসি য়াম্না চাউনা পোইট্রি ডে হায়না থৌরম পাঙথোকই। ঐখোয়গী লমসিদসু নেসনেলগী থাক্তা পাঙথোকপা পোইট্রিগী নুমিৎ অমা লৈফম থোক্তবরা? ৱাফম অসিনা মরম ওইরগা জাতিগী মপা হায়না খঙনরিবা মহাত্মা গান্ধিগী মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা মপাউনা নেসনেল পোইট্রি ডে হায়না থৌরম অসি শীনবনি হায়না ফোঙদোকখি। থৌরম অসিগী মপুং ওইবা শক্তমদি লমদমসিগী মশক নাইবা অহল অমদি নহা কবিশিংনা মশানা ইবা শৈরেংশিং পাথোকপনা ওইখি। শক্লাইরবা কবি থাংজম ইবোপিশক্লা থৌরমগী প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। শৈরেং লান্থোকখিবা কবিশিংদি য়ুল্লেম্বম ইবোমচা, বিরেন্দ্রজিৎ নাওরেম, লনচেনবা মৈতৈ, শরতচান্দ থিয়াম, মোইরাংথেম বরকন্য, থৌদাম নেত্রজিৎ, ইরুংবম দেবেন, বুদ্ধিচন্দ্র হৈস্নাম্বা, ইমোজিৎ নিঙোম্বা, রন্ধির কুমার য়েন্দ্রেম্বম, ও সি মৈরা, ওকেন্দ্রো খুন্দোংবম, অখোম য়ান্দিবালা অমদি লেনিন খুমনচানি।

### হিষ্টরি ওফ লাইরৈপাক ফোঙগদৌরি

সাইখোম মেঙ্গোরনা ইবা *হিষ্টরি ওফ লাইরৈপাক* হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমা মণিপুর প্রেস ক্লব ইম্ফালদা লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎ ওক্টোবর ৬, ২০১৪ দা ফোঙগদৌরি। থৌরম অদুদা দো. কে শুশিলা, জোইন্ট দাইরেক্টর আর্ট এন্দ কলচরনা চীফ গেষ্ট, দো. টি ঐচ খোমদোন, প্রসিদেন্ট মণিপুর সাহিত্য সমিটি থৌবালনা প্রসিদেন্ট অমদি প্রো: পোলেম নবচন্দ্রনা প্রসিদেন্ট, নহারোল সাহিত্য প্রেমি সমিটি ইম্ফালনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াগদৌরি। লাইরিক অসিগী মরমদা নাউরোইবম ইন্দ্রমণিনা ৱা ঙাংগদৌরি।